টালিবানননা হরাওবা ফোঙদোক্লিঙৈ য়ু এসনা ৯/১১ এটেক চহী ২০ মপুং ফারকপগী অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ন্যু য়োর্ক, সেপ্তেম্বর ১১ (এজেন্সী) :

অফঘানিষ্টানদা টালিবানগী অনৌবা লৈঙাক অমা লাকখ্রবা মতুং লালহৌলূপ অসিগী লুচিংবশিং য়াওনা মেম্বর কয়ানা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লিঙৈ মরক অসিদা ৯/১১ এটেক চহী ২০ মপুং ফারকপগী থৌরম য়ু এসকী মফম কয়াদা পাক শন্না পাঙথোক্লখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা ঈকায়খুম্নবা উত্তুনা অৱাবা ফোঙদোক্লখ্রে।

হৌখিবা কুমজা ২০০১ গী সেপ্তেম্বর ১১ দা অল কৈদাগী হায়জেকর ১১ না হায়জেক তৌখিবা এয়র প্লেনশিং শীজিন্নদুনা চথখিবা এটেক অদুনা মরম ওইরগা য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী কলচরেল, ফাইনান্সিএল অমদি পোলিটিকেলদা চাওনা চৈথেং পীখি। নুমিৎ অদুদগী য়ু এসনা অল কৈদাগী লুচিংবা ওসামা বিন লাদেন হাৎনবা থবক পায়খৎপা হৌখি অমদি মায় পাক্লা লুচিংবা অদুবু হাৎখি।

অফঘানিষ্টনদা হান্না লৈঙাক পায়রম্বা টালিবানশিংনা অল কৈদাগী লুচিংবা অসিবু চঙজফম পীদুনা লৈবাক অদুদা মনীং তম্না লৈহল্লমখিবনি। লৈখিদ্রবা অল কৈদাগী লুচিংবা বিন লাদেননা অফঘানিষ্টানদা লৈদুনা য়ু এসকী ত্বিন টৱারদা এটেক অদু চথুহনখিবনি। য়ু এসকী ৱর্ল্ড ট্রেদ সেন্তরদা চথুখিবা এটেক অদুদা বিল্ডিং অদুনা লৈরম্বা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া শিহনখি। মদুগী অৱাবা হৌজিকসু অমেরিকাগী মীয়ামগী থম্মোয়দা কোকপা ঙমদনা লৈরি। এটেক অদু চহী ২০ মপুং ফারকখিবগা লোয়ননা এটেক অদুবু নীংশিংদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা ফোঙদোকখিবদা অমেরিকানশিংনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা লালহৌবশিংগী মায়োক্তা থবক তৌবা মথৌ তারি। ঐখোয়গী ওইবা অপুনবগী পাঙ্গল অদু অরানবা থবক কয়া চথুরিবা লালহৌবশিংদা উথোকপগী মতম য়ৌশিল্লক্লে।

ৱর্ল্ড ট্রেদ সেন্তরদা ঙসিদগী চহী ২০ গী মমাংদা চথুখিবা এটেক অদুনা মরম ওইরগা অমেরিকানশিংনা থম্মোয় শোকখিবা অদু হৌজিকসু কোক্ত্রি হায়বা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্লা খঙই। ঐখোয়গী থম্মোয়দা তারিবা অৱাবা অসি কোকহন্নবা হোৎনবদা মালেমদা লৈরিবা লালহৌবশিং মপুং ফানা মুথৎপা মথৌ তাই।

অমরোমদা ন্যু য়োর্কতা পাঙথোকখিবা ৯/১১ এটেকতা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মফমদা হৈ লৈ কত্তুনা ঈকায়খুম্নবা উৎপগী থৌরম অমদা শরুক য়াখিবা মোনিকা আইকেন মরফি কৌবী নুপী অমনা ফোঙদোরকখিবদা অল কৈদা লালহৌবশিংনা ৱর্ল্ড ট্রেদ সেন্তরনা চথুরকখিবা এটেক অদুদা মহাক্কী চহী ৩৭ খক্তা ঙাইরিবা মপুরোইবা শিখি। নুমিত্তুদা থোকখিবা থৌদোক অদু ঙসিসু কাওবা ঙমদ্রি।

এটেক অদুদা হিংহৌরিবা মীওইশিংগী থম্মোয়দা ঙসিসু নীংঙমদবগী চৈনা অদুমক ফাওদুনা লৈরি। থৌদোক অদু ঙাইহাক্কী মমাংদা থোকখিবগুম মহাক্কী ৱাখলদা খল্লি। পনবা য়াবদি মমাং থাগী অরোইবা ফাওবদা য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা অফঘানিষ্টানদা দিপ্লোয় তৌদুনা থনম্বা মখোয়গী ত্রুপশিং মপুং ফানা লৌথোকপগী থবক চথুবা হৌখ্রবা মতুং টালিবান ফাইটরশিংনা য়াম্লা থুনা অফঘানিষ্টান খুদুম চনবা ঙমখিবনি। মতম অমদা অফঘানিষ্টান অল কৈদাগী খ্বাইদগী হেন্না খুদোংচাবা মফম অমা ওইদুনা লাকখিবনি।

ম্যান্মার মিলিটরি অমদি লোকেল মিলিসিয়া খূৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা মীওই ২০ শিরে

য়াঙোন, সেপ্তেম্বর ১১ (এজেন্সী) :

হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১ দগী হৌরগা ম্যান্মারদা মিলিটরিনা কু তৌদুনা পৱার পায়শিনখ্রবা মতুং লৈবাক অদুগী তোঙান তোঙানবা শরুকশিংদা মিলিটরিনা চথুরকখিবা কা হেনবা থবক থৌওংশিং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লৈবাক অদুগী মীয়াম্না মখল মখা কয়াগী খোঙজংশিং চঙশিনদুনা লাক্লি।

অমরোমদা মিলিটরিনা মীয়ামদা ওৎ নৈবগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লৈবাক অদুদা লৈরিবা খুৎলাই পায়বা ইথনিক গ্রুপশিংনা ম্যান্মার মিলিটরিগী মায়োক্তা চথুরকপা লাঞ্জংগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং ম্যান্মারদা লৈরিবা রুল্লিং মিলিটরি অমসুং লোকেল মিলিসিয়াশিংগী মরক্তা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক অমা থোকখ্রে। থৌদোক অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ২০ শিখ্রে হায়না লোকেল মীদিয়া রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি। রিপোর্ট অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা ফেব্রুৱারী ১ দগী হৌরগা লাকখিবা মিলিটরি জুন্টাবু মায়োক য়ানবা শেমখিবা নেসনল য়ুনিটি গভর্ণমেন্টনা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীয়াম খুদিংমক্লা মিলিটরি লৈঙাক্কী মায়োক্তা ঈহৌ হৌনবা ফোঙদোকখ্রবা মতুং তোঙান তোঙানবা রেবেল ইথনিকগ্রুপশিংনসু মিলিটরিগী মথক্তা লেপ্পা লৈতনা এটেক চথুবা হৌরকখিবনি।

ওং সান সু চিনা লুচিংবা মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক অদুবু মিলিটরিনা কু তৌদুনা ইন্থুখিবা নুমিৎ অদুদগী হৌরগা হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অদুদা তংদু লৈতাদবগী ফীভম অমা লৈরি। মিলিটরিগী মায়োক্তা মীয়াম্না চঙশিনখিবা খোঙজংদা থোকখিবা মুক্লবগী থৌদোকশিংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মরাল লৈজদ্রবা মীওই ১,০০০ হেন্না শিহনখ্রে।

নেসনল য়ুনিটি গভর্ণমেন্টকা চৎমিন্নরিবা রেবেল গ্রুপশিংনা মিলিটরিগী মায়োক্তা মখা তানা কাউন্টর এটেক কয়া চথুখিগনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মীয়াম্নসু হনবা লৈতনা মিলিটরিগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিন্নবা আপীল তৌরক্লি। ঙসি শিখ্রবা মীওই ২০ অদুগী মনুংদা চহী নৌরিবা অঙাং ১ অমদি রেবেল গ্রুপকী মেম্বর ১ য়াওরি।

মালেমগী লৈবাকশিংনা অরানবা লম্বীদা চত্তুনা লৈরে : য়ু এন

ন্যু য়োর্ক, সেপ্তেম্বর ১১ (এজেন্সী) :

কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জ মায়োক য়ানবা হোৎনবদা মালেমগী তোঙান তোঙনবা লৈবাকশিংনা অচুম্বা লম্বীদা চৎপগী মহুত্তা অরানবা লম্বীদা চত্তুনা লৈরে হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সকী সেক্রেটরি জেনরেল এন্তোনিও গুটেরেজনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯ না মীওইবদা মীকপ থোক্লবা তাঞ্জা অমা পীরবসু ঐখোয়না তুমদুনা লৈথোক্লি হায়রি।

মালেমগী মপাঙ্গল কল্লবা অমদি ইকনমিগী ফীভম কা হেন্না ফরবা লৈবাকশিংনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন পুথোকপগী চাং হন্থখিবগা লোয়ননা লায়না লাইচৎ অসিবু ইরাই লায়না খনবগুম তৌরক্লি। কোভিদ-১৯ খক্তনা মালেমদা মতম শাংনা চৈথেং পীদুনা লাক্লবা ক্লাইমেট চেঞ্জকী মতাংদসু পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খত্তনা লৈরি। মসিনা তুংদা মীওইবা খুন্নাইদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরবা য়ানা লৈ হায়বসি খুদিংমক্লা কাওরোইদবনি। মহাক্লা মখা তানা য়ুনাইটেদ ষ্টেট অমসুং চাইনানা কোভিদ-১৯ গী হৌরকফম অমদি ট্রেদ ৱারদা অমনা অমগী মায়োক্তা থবক তৌবগী মহুত্তা মীওইবা খুন্নাইদা হৌজিক হৌজিক অচৌবা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা কোভিদ-১৯ অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জ পুন্না থেংনমিন্নবগী মতম ওইরে হায়রি।

ফুল দোজ কাপথোক্লবা মীওইশিংদি শিবগী চাং য়াম্না হন্থে

ৱাশিংটন, সেপ্তেম্বর ১১ (এজেন্সী) :

কোভিদ-১৯ ভেক্সিন ফুল দোজ কাপথোক্লবা মীওই অমগা ভেক্সিন কাপত্রিবা মীওই অমগা শিবগী চাং য়েংনরুবদা ভেক্সিন ফুল দোজ কাপথোকখ্রবা মীওইশিংনা কাপত্রিবা মীওইশিংদগী শরুক ১১ হেন্না শিবগী চাং হন্থে অদুগা হোস্পিটালাইজ তৌবগী চাংদসু কাপথোক্ত্রিবা মীওইশিংদগী শরুক ১০ হন্থে হায়না য়ু এস হেল্থ ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

সেন্তর ফোর দিজিস কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সননা ফোংলকখিবা অনৌবা পেপর অহুমদা হায়রিবা ৱাফমশিং অসি পল্লি। মরম অদুনা হৌজিক হৌজিক মালেমদা অচৌবা শীংনবা অমা ওইরিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচত্তগী ঙাকথোক্কে হায়রবদি ভেক্সিন মতম চানা কাপথোকপা মথৌ তাই। হৌজিকমক্কী ওইনা কোভিদ-১৯ হাৎপা ঙম্বা ভেক্সিন অমত্তা পুথোক্ত্রি। মীয়াম্নসু মসি খঙনা য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তাই।

অমরোমদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপলুবদগী মীওই খরা শিখিবগী থৌদোকশিং থোকপা লৈখ্রে। মসি কোভিদ-১৯ গী ভেক্সিন পুথোক্লিবা মেন্যুফেকচরিং কম্পনিশিংনা চেকশিনবা ৱাৎপদগী নৎত্রগা ভেক্সিন অসি পুথোকপা মতমদা পোৎয়ান য়াওখিবদগী ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি। পূম্নমক অসি ওইদনসু ভেক্সিন কাপথোকপা হায়বসি য়াম্না মরু ওইবা অমা ওইরি।

কাবুল চৎকদবা পাকিষ্টানগী কম্মরসিএল ফ্লাইট সার্ভিস হৌরগনি

ইস্লামাবাদ, সেপ্তেম্বর ১১ (এজেন্সী) :

পাকিষ্টান ইন্তরনেসনল এয়র লাইন্স (পি আই এ) না ইস্লামাবাদতগী কাবুল তান্না চৎকদবা ফ্লাইট সার্ভিসশিং নিংথৌকাবা নুমিত্তগী হৌরগনি হায়না ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা অফঘানিষ্টানদা টালিবাননা পৱার পায়খ্রবা মতুং অহানবা ফোরেন কম্মরসিএল ফ্লাইট সার্ভিস কাবুল তম্না পাইগদবা অসি পাকিষ্টান লৈবাক্লা অহানবা ওইরে।

মমাং থাগী অরোইবা ফাওবদা কাবুল এয়রপোর্টতগী মশীং য়াল্লবা ফোরেন নেসনেলশিং পুথোক্লবা হোৎনবদা এয়রপোর্টকী অকোয়বা অমদি মনুংদা থোকখিবা পামদবা থৌদোকশিংনা মরম ওইরগা এয়রপোর্টকী শরুক কয়া চাওনা অমাঙ অতা থোকখি। কাটারি টেক্নিকেল এসিষ্টেন্টকী মতেংগা লোয়ননা অমাঙ অতা থোকখ্রবা এয়রপোর্টকী শরুকশিং শেমজিনবগী থবক অকনবা মওংদা চথুরি। হীরম অসিগা মরী লৈননা পি আই এগী ৱাঙাঙলোয় অব্দুলা হাফিস খাননা ফোঙদোকখিবদা ফ্লাইট ওপরেসনগীদমক ঐখোয়না টেক্নিকেল ক্লিয়ারেন্সশিং ফংলে।

সেপ্তেম্বর ১৩ দগী হৌরগা ঐখোয়গী অহানবা কম্মরসিএল প্লেন ইস্লামাবাদতগী কাবুল তম্না পাইরগনি। অদুমওইনমক হপ্তা অমদা ফ্লাইট সার্ভিস কয়ারক লৈগদগে হায়বদুদি মীয়ামগী অনীংবা অপাম্বগী মখা পোল্লি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবগী ওইনা জর্নেলিষ্ট অমদি হ্যুমেনেটেরিয়ন রিলিফ এজেন্সি ৭৩ না কাবুলদা চৎনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকপা লৈখ্রে হায়রি।

য়ু এস সিটিজন ৩২ ৱাশিংটনগীদমক অফঘান থাদোকখ্রে

ৱাশিংটন, সেপ্তেম্বর ১১ (এজেন্সী) :

অফঘানিষ্টানদা লৈহৌরিবা অমেরিকান সিটিজনশিং অমদি লৈবাক অদুবু থাদোক্তুনা চৎপা পাম্বা অফঘানশিং তেক্তা কায়দনা কাবুলদগী পুথোরক্লবা ৱাশিংটননা হোৎনদুনা লাকখিবগী শরুক অমা ওইনা ঙরাংসু য়ু এস সিটিজন ৩২ ৱাশিংটনগীদমক অফঘানিষ্টান থাদোকখ্রে হায়না হ্বাইট হাউসনা ফোঙদোরক্লি।

মীওই ৩২ অদুগী মনুংদা ১৯ না কাটার এয়রৱেজ ফ্লাইটতা তোঙখ্রে অদুগা অতোপ্পা য়ু এস সিটিজন ১১ অমনা ঙসি ৱাশিংটনগীদমক কাবুল ইন্তরনেসনল এয়রপোর্ট থাদোকখ্রে হায়না নেসনল সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী ৱাঙাঙলোয় নুপী ইমিলি হোর্নিনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা কাটারনা কাবুলদগী ফোরেন নেসনেলশিং পুথোক্লবা হোৎনবদা লৌরিবা থৌদাং অদুবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

হৌজিক হৌজিক অফঘানিষ্টানদা য়ু এস সিটিজন ১০০ রোম হেন্না পনদুনা লৈরি। মখোয়শিং অদু অমেরিকান অমদি অফঘান ভিজা পায়বা মীওই ঙাক্তা ওইরম্বা য়াই। লৈবাক অনীগী ভিজা পায়রবসু মখোয়গীদমক য়েংলগা হ্বাইট হাউসনা কাবুলদগী অমেরিকানশিং অদু লৌথোক্লবা মখা তানা হোৎনরি। টালিবানগী মায়কৈদগীসু মখোয়না ঙাঙথোকখিবা ৱা ঙাক্লা চৎকনি হায়বগী থাজবা চপ চানা লৈ হায়রি।

COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR

[illegible] /NOTIFICATION

Imphal, the 10th September, 2021

No. 1/2/92-HSC(Vol.V)(Pt.): In continuation of this Office Advertisement No.1/2/92-HSC(Vol-V) dated 08-03-2021, 31-03-2021, 15-04-2021, 20-07-2021 and 07-08-2021 as well as Notification of even number dated 08-09-2021 pertaining to the appointment by direct recruitment to 21 (twenty-one) posts in the Council of Higher Secondary Education, Manipur, it is hereby notified that the candidature of the Applicants in the enclosed **Annexure** are rejected upon verification of their applications for reasons mentioned against each applicant. They can submit their claims and objections, if any, on or before 17-09-2021, failing which their claims shall not be entertained.

2. This Notification along with the enclosed **Annexure** are uploaded in the official website of the Council *www.cohsem.nic.in* for general information.

Sd/- A. Sukumar Singh
Controller of Examinations/Co-ordinator,
Council of Hr. Sec. Edn., Manipur.

Annexure to the Notification No. 1/2/92-HSC(Vol.V)(Pt.) dated 10th September, 2021

LIST OF REJECTED APPLICANTS

1. LDA

SL. NO.	NAME OF THE APPLICANT	ROLL NO.	REASON (S) FOR REJECTION
1	AMOM SACHIBALA CHANU	27	GRADUATION CERTIFICATE DUE
2	MEISNAM MEENA DEVI	28	XII AND GRADUATION CERTIFICATE DUE
3	ROSY NONGTHONGBAM	38	COMPUTER CERTIFICATE NOT CONFIRM
4	SAMURAILATPAM CHANDRAKUMAR SHARMA	93	AGE BAR (NO PROVISION OF EX-SEVICEMAN IN THE COUNCIL)
5	LIANMINLUN	98	ST CERTIFICATE DUE
6	RAJKUMARI BINDIYA DEVI	136	COMPUTER CERTIFICATE NOT PROPER/DURATION NOT MENTIONED
7	KHWAIRAKPAM DAIYAR SINGH	171	COMPUTER CERTIFICATE DUE
8	THOKCHOM NOREN MEITEI	189	OBC CERTIFICATE DUE
9	THOUDAM KABICHANDRA SINGH	202	GRADUATION CERTIFICATE DUE
10	KHONGBANTABAM SHIVAKUMAR SINGH	209	GRADUATION CERTIFICATE DUE
11	NINGTAMSANA LAISHRAM	252	GRADUATION CERTIFICATE AND SELF ATTESTATION DUE
12	LAIMAYUM BIKASH SHARMA	290	COMPUTER CERTIFICATE DUE
13	RD. OVERSON ANAL	292	DURATION OF COMPUTER COURSE NOT MENTIONED
14	WANGKHEIRAKPAM LASTSON SINGH	300	COMPUTER CERTIFICATE DUE
15	KHUNDRAKPAM KIRANJIT SINGH	307	COMP COURSE ONLY 12 WEEKS/ NOT ELIGIBLE
16	NGANGOIBA MAISNAM	312	XI CERTIFICATE DUE
17	GURUMAYUM TONY SHARMA	319	COMPUTER CERTIFICATE DUE
18	NINGTHOUJAM SUSHIL	322	COMPUTER CERTIFICATE DUE
19	WARIBAM PRATIBHA CHANU	333	DURATION OF COMPUTER CERTIFICATE NOT MENTIONED
20	L. MANGTINLER	341	XI CERTIFICATE DUE

2. ASSISTANT PROGRAMME(I.T.)

SL. NO.	NAME OF THE APPLICANT	ROLL NO.	REASON (S) FOR REJECTION
1	ZINGMAI SHINGLAI	2	MCA CERTIFICATE DUE
2	SAMUEL LALCHAWSANG	8	XII CERTIFICATE AND GRADUATION MARK SHEET DUE
3	LONGMEI LANBILUNG KABUI	41	GRADUATE MARK SHEET DUE

3. DATA ASSISTANT

SL. NO.	NAME OF APPLICANT	ROLL NO. ALLOTTED	REASON(S) FOR REJECTION
1	THIYAM REDDY SINGH	40	GRADUATE CERTIFICATE DUE
2	MAIBAM ABHIJIT SINGH	45	DURATION OF COMPUTER CERTIFICATE NOT MENTIONED
3	MAIBAM MONADEEPA DEVI	48	COMPUTER CERTIFICATE DUE

4. GRADE IV

SL. NO.	NAME OF APPLICANT	ROLL NO.	REASON(S) FOR REJECTION
1	TELEM ROMEN SINGH	37	AGE BAR
2	S. GINLUNTHANG	101	ST CERTIFICATE DUE
3	KSHETRIMAYUM HERUNA DEVI	144	BOARD NOT RECOGNIZED
4	WUNGREITHA SHANGJAM	233	BIODATA DUE
5	NAMEIRAKPAM RANJITA DEVI	249	AGE BAR
6	TOURANGBAM RAGINI DEVI	261	AGE BAR
7	SOROKHAIBAM PREMKUMAR SINGH	332	BOARD NOT RECOGNIZED
8	MAIBAM PRATIMA DEVI	322	X AND XII MARK SHEET DUE
9	TOIJAM SUBHACHANDRA SINGH	325	AGE BAR

Sd/- A. Sukumar Singh
Controller of Examinations/Co-ordinator,
Council of Hr. Sec. Edn. Manipur

HL-B/7148/12 Sept.

মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

#	Country, Other	Total Cases	New Cases	Total Deaths	New Deaths	Total Recovered	Active Cases
	World	224,615,884	+597,423	4,629,928	+9,135	201,152,674	18,833,282
1	USA	41,741,693	+171,125	677,017	+1,761	31,820,994	9,243,682
2	India	33,200,877	+37,873	442,350	+304	32,358,246	400,281
3	Brazil	20,974,850	+15,951	585,923	+718	20,016,161	372,766
4	UK	7,168,806	+37,622	133,988	+147	5,746,286	1,288,532
5	Russia	7,102,625	+18,341	191,165	+789	6,357,272	554,188
6	France	6,887,791	+9,966	115,442	+80	6,486,949	285,400
7	Turkey	6,613,976	+23,562	59,384	+214	6,090,902	463,690
8	Iran	5,258,913	+21,114	113,380	+445	4,509,905	635,628
9	Argentina	5,221,809	+2,816	113,282	+183	5,067,105	41,422
10	Colombia	4,926,772	+1,772	125,529	+49	4,763,695	37,548
11	Spain	4,907,461	+4,440	85,290	+72	4,542,552	279,619
12	Italy	4,596,558	+5,621	129,828	+62	4,338,241	128,489
13	Indonesia	4,158,731	+5,376	138,431	+315	3,901,766	118,534
14	Germany	4,071,607	+12,667	93,095	+55	3,810,100	168,412
15	Mexico	3,479,999	+14,828	266,150	+730	2,819,991	393,858
16	Poland	2,892,643	+529	75,417	+8	2,657,981	159,245
17	South Africa	2,848,925	+5,883	84,608	+281	2,656,534	107,783
18	Ukraine	2,310,554	+3,615	54,251	+76	2,218,873	37,430
19	Philippines	2,179,718	+17,912	34,899	+168	1,969,324	175,495
20	Peru	2,159,306	+813	198,673	+52	N/A	N/A
21	Netherlands	1,966,634	+2,687	18,062	+4	1,874,046	74,526
22	Iraq	1,944,125	+4,717	21,394	+61	1,808,692	114,039
23	Malaysia	1,940,950	+21,176	19,827	+341	1,678,959	242,164
24	Czechia	1,682,479	+424	30,413		1,648,905	3,161
25	Chile	1,643,156	+510	37,178	+19	1,600,353	5,625
26	Japan	1,614,124	+10,680	16,603	+78	1,442,637	154,884

COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR

[illegible]/NOTIFICATION

Imphal, the 10th September, 2021

No. 1/2/92-HSC(Vol.V)(Pt.): In continuation of this Office Advertisement No.1/569/21-HSC dated 07-04-2021 and Notification No.1/2/92-HSC(Vol-V) dated 20-07-2021 and 07-08-2021 as well as Notification of even number dated 08-09-2021 pertaining to **Special Recruitment only for ST Candidates** in the Council of Higher Secondary Education, Manipur, it is hereby notified that the candidature of the Applicants in the enclosed **Annexure** are rejected upon verification of their applications for reasons mentioned against each applicant. They can submit their claims and objections, if any, on or before 17-09-2021, failing which their claims shall not be entertained.

2. This Notification along with the enclosed **Annexure** are uploaded in the official website of the Council *www.cohsem.nic.in* for general information.

Sd/- A. Sukumar Singh
Controller of Examinations/Co-ordinator,
Council of Hr. Sec. Edn., Manipur.

Annexure to the Notification No. 1/2/92-HSC(Vol.V)(Pt.) dated 10th September, 2021

List of Rejected Applicants (Special Recruitment for ST candidates)

1. LDA

SL. NO.	NAME OF THE CANDIDATES	ROLL NO.	REMARK
1	SAMTE THANGPU AIMOL	002	ST CERTIFICATE DUE
2	M.K. BOISON KANSHOUWA	005	ST CERTIFICATE DUE
3	ADANI JOHN	040	ST CERTIFICATE DUE
4	KHIUBANGDIMLIU DAIMAI	044	ST CERTIFICATE DUE
5	KIMBOITHEM SINGSIT	050	XII AND GRADUATION CERTIFICATE DUE
6	LANSINME NINGSHEN	053	ST CERTIFICATE DUE
7	K. KHONGHO GABRIEL	054	XII AND GRADUATION CERTIFICATE DUE
8	SUIGUANGLUNG KAMEI	058	ST CERTIFICATE DUE

2. GRADE IV

SL. NO.	NAME OF THE APPLICANT	ROLL NO.	REMARK
1	FRANKY RAIKHAN	001	ST CERTIFICATE DUE

Sd/- A. Sukumar Singh
Controller of Examinations/Co-ordinator,
Council of Hr. Sec. Edn. Manipur

HL-B/7148/12 Sept.